# পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা চাইনাগা বোর্দরদা য়েৎনবগী ৱাফম কন্না ঙাঙনগদৌরি



ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
চাইনাগা বোর্দরদা য়েৎনবগী মতাংদা ষ্টেটস রিপোর্ট পুথোক্লবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা গভর্ণমেন্টতা তকশিন্নবা শেম-শাখিবগা লোয়নন জুলাই ১৯দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা ইস্যু অসি হাউস অনীমক্তা খন্নগদৌরি।

পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌগদবা নুমিৎ হুম্নি মাঙওইননা ইরাই নুমিত্তা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর অনী এ কে এন্টোর্নি অমসুং শরদ পৱার উনখিবা মতুংদা ৱাফম অসি হেন্না ময়েক শেংলক্লি। মীফম অদুদা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল বিপিন রাৱাত অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিগী চীফ জেনরেল মনোজ মুকুন্দ নারাভানেসু শরুক য়াখি।

বোর্দরদা উংখৎনবা লেপ্লবা লৈবাক অনীনা ৱারী শানরিঙৈদা দিফেন্স মিনিষ্টর সিংহনা হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টরশিংগা উনখিবনি। কোংগ্রেসকী ওইনসু পার্টিগী চীফ সোনিয়া গান্ধিনা মকোক চিংদুনা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রেটেজি মীটিংদা লৈবাক অসিনা চাইনাগা বোর্দরদা য়েৎনবগী ৱাফম অসি পার্লিয়ামেন্টকী লাক্লিবা নোংজু মীফমদা পুথোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। পার্লিয়ামেন্টকী মীফম অসি জুলাই ১৯দগী হৌগনি অমসুং ওগষ্ট ১৩দা লোইশিনগনি।

থা অসিগী অঙনবা জুলাই ৬তা টিবেটান স্পিরিচুএল লীদর দলাই লামাগী বার্থদে সেলেব্রেসন পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা চাইনিজশিংনা দেমচোক্কী লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা বেন্নর কয়া উৎখি।

লদাখকী দেমচোক রিজনদা চেল্লিবা সিন্দু তুরেলগী অতোপ্পা নাকলদা চাইনাগী পীপলস লিবরেসন আর্মিগী মীওইশিং অমসুং মীচমশিং লাকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদা খুঞ্জাশিংনা দলাই লামাগী বার্থদে সেলেব্রেসন তৌরিবদু য়ানীংদবা উৎলদুনা মখোয়না চাইনীজ ফ্লিরালশিং হাইখি। মখোয় গাড়ী মঙাদা লাকখি অমসুং মখোয়না বেনরশিং অমসুং ফ্লেগশিং উৎখি।

দলাই লামাগী ৮৬ শুবা মপোক নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টিবেটান স্পিরিচ্যুএল লীদর অসিদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি। মোদিনা দলাই লামাগা ৱারী শানখি হায়না ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকপসি হন্দক্কীসিনা অহানবনি।

চাইনাগা মতম শাংনা বোর্দরগী য়েৎনবগা মরী লৈননা মুক্লরকপদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ানা হান্নগী ফিরেপ্তুগী হোংদোক্তুনা মশা ঙাকথোকচনবগী থৌওং উৎপগী মহুত্তা চাইনাদা খূৎ হন্নবগী মিলিটরি ওপসনশিং ওইনা খন্নরগনি। অনৌবা ফিরেপ অসিগা লোয়নন লৈবাক অসিনা মিলিটরিগী লম্দা অনৌবা দিরেক্সন অমা উৎপা হৌখ্রে। ইন্দিয়ানা বোর্দরদা দিপ্লোই তৌরিবা ট্রুপ ৫০,০০০ রোমদা চাইনাগা বোর্দরদা মুক্লবদা হেন্না মীৎয়েং থম্নবা হন্দক্তা খঙহনবা লৈখ্রে।

# নুপী-অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিং লাকশিন্নবা সাইবরক্রাইম লেব লিংখৎলগনি



হায়দরবাদ, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
নুপী অমসুং অঙাংশিংদা টার্গেট তৌবগী কেসশিং য়েংশিন্নবা টেলঙ্গনা পুলিসনা সাইবরক্রাইম লেব অমা লিংখৎলগনি।

এম ঐচ সী সাইবর লেব হায়না খঙনগদবা স্পেসল য়ুনিট অসি ষ্টেট পুলিসকী ৱিমেন সেফটি ৱিংদা লৈহনগনি।

সাইবর লেব অদু লিংখৎনবগী-দমক্তা ইরাই নুমিৎতা ৱিমেন সেফটি ৱিং অমসুং সেন্টর ফোর রিসার্চ ওন সাইবর ইন্টলিজেন্স এন্দ দিজিটেল ফোরেন্সিক (সী আর সী আই দি এফ) কী মরক্তা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখি।

ৱিমেন সেফটিগী এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস স্বাটি লক্রানা হায়, কেপাসিটি বিল্ডিং, ইনভেষ্টিগেসন এসিষ্টেন্স, কন্টেক্ট দিভলপমেন্ট অমসুং এৱেয়রনেস পোকহন্নবগীদমক্তা মখোয়না পূন্না থবক তৌমিন্নরগনি। এম ও য়ু অদু খূৎয়েক পীনবদা শরুক য়াখিবা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এম মহেন্দর বেদ্দিনা হায়খি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫০ ওইরিবা নুপীশিংগী সেফটিগী ৱাফমদা মরু ওইবা মীৎয়েং চঙলি। গভর্ণমেন্টকী পান্দম অসিগী শরুক ওইনা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিং লাকশিন্নবা সাইবরক্রাইম লেব অসি লিংখৎকদৌরিবনি।

রেদ্দিনা মখা তানা হায়খি, পুলিস দিপার্টমেন্টনা সোসাইটিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খূৎশম্নরগা নুপীশিংগী সেফটি-গীদমক্তা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। লেব অসিনা সাইবরক্রাইমগী মতাংদা এৱেয়রনেস পোকহনবা অমসুং কেসশিং সোল্ভ তৌবদা মতেং ওইরগনি।

পুলিস চীফ অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুংদা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংগা মরী লৈননা রেজিষ্টর তৌরিবা কেস খূদিংমক সাইবরগা মরী লৈনৈ। অদুনা সাইবরক্রাইমশিংগী মতাংদা তৌরকপা কমপ্লেন্টশিং লৌশিনবা অমসুং অসিগুম্বা কেসশিং য়েংশিন্নবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী লেভেলদা সাইবর ৱারিয়রশিং হাপচিনবগী থবক পায়খৎলি।

আই টি প্রোফেসনলশিংগা লোয়ননা লিংখৎকদৌরিবা সাইবর লেব অদুনা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা সাইবর ক্রাইমশিং লাকশিনবদা কান্নরগনি হায়না দি জি পিনা ফোঙদোকখি।

লক্রানা হায়, লোকদাওন মনুংদা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা সাইবরক্রাইম চাদা ৭ হেনগৎখি অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা সাইবরক্রাইমশিং পাঙথোকপদা ওফেন্দরশিংনা ৱাটসঅপ, ফেসবূক, ইন্সটাগ্রাম অমসুং ত্বিটরগুম্বা সোসল মিদিয়া প্লেটফোর্মশিং শীজিন্নরি।

নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা সাইবরক্রাইমশিং লাকশিন্নবা অমসুং সাইবরক্রাইম কেসশিং থীজিন্নবা সাইবর লেব লিংখৎপা হায়বসি ইন্দিয়াদা মসিনা অহানবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

দি আই জি সুমতিগী মতুং ইন্না, সী আর দি সী আই দি এফনা খ্বাইদগী নৌবা সাইন্টিফিক নোলেজ অমসুং আই টি এক্সপার্টিসতা মতেং পাংগনি। লেব অদুনা সাইবরদা য়ূম্ফম ওইবা হরাসমেন্ট, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স, এন আর আই কেসশিং, হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং, ওফেন্স অঙাংশিংগী মায়োক্তা চথবা সেক্স্যুএল ওফেন্সশিং অমসুং চাইল্ড পোর্নোগ্রাফিগুম্বা কেসশিং য়েংশিনগনি।

## ওফর তৌখ্রে

ভিসাখাপটনম, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
অন্ধ্র প্রদেশকী ভিসাখাপটনম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা সিনিয়র মাওইষ্ট লীদর অমদা সরেন্দর তৌনবা খঙহনবগা লোয়ননা মহাক্না ইংনা চিক্লা সরেন্দর তৌদুনা মীয়ামগী ঈচেলদা অমুক হন্না তিল্লবদি খুন্দা লৈতাবগী খুদোংচাবা চাওনা ফংগনি হায়বা ৱাফমসু থমখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ওফিসল অমনা হায়, মাওইষ্ট লীদর সুধিরনা সরেন্দর তৌরবদি ঐখোয়না মহাকপু খুন্দা-লৈতানবগী খুদোংচাবা পীগনি। পুলিসকী মতুং ইন্না অন্ধ্র-উরিষ্য বোর্দর (এ ও বি)গী পেদাবায়ালু-কোরুকোন্দা দিভিজনগী সিনিয়র কমান্দর ১ নুপী মেম্বর অমগা লোয়ননা মাওইষ্ট পার্টি অসি থাদোক্লগা চৎখ্রে।

## গভর্ণমেন্ট লৈরকপা চহী ২ শুবগা ফম থাদোক্লবা য়েদ্দিয়ুরাপ্পাদা খঙহনখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
কর্ণাটাকাদা বি জে পি লৈঙাক্লা ওফিস পায়রকপা অনীশুবা চহী মপূং ফাগদবা জুলাই ২৬কী মতুংদা মফম থাদোক্লবা চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদ্দিয়ুরাপ্পাদা খঙহনখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা ছোর্স খরনা ফোঙদোরক্লি।

ফম থাদোপগী ৱারেপ লৌবদা থা অনীগী মতম পীনবা য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা থাজখিবা ৱাফম বি জে পি হায় কমান্দনা য়ারক্লে হায়না ছোর্সশিং অদুনা মখা তারি।

পার্টিনা মহাক্কী মচানুপা বি ৱাই ভিজায়েন্দ্রদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম ওফর তৌখ্রবসু য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা ষ্টেট পার্টি প্রসিদেন্টকী ফমসু মঙোন্দা (মচানুপাদা) পীননবা তকশিনখি।

য়েদ্দিয়ুরাপ্পাগী অপাম্বদি মহাক্কী মচানুপাগী লীচিং মখাদা এসেমব্লি মীখল থেংনদুনা ভিজায়েন্দ্রবু সী এমগী ফম পায়বা য়ানবা শীলহৌবা অসিনি। অদুম ওইনমক, বি জে পি হায় কমান্দনা হায়রিবদি পার্টিগী ৱারেপশিংগী মতুং ইন্না খোঙথাং খূদিংমক লাকচগদবনি। সী এম য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা পীবা কন্দিসনশিংদগী লাক্কদবা নত্তে হায়বসিনি।

হায় কমান্দনা য়েদ্দিয়ুরাপ্পাবু মওং মরিল তানা ফম থাদোকহনবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ওইহন্নিংলিবা পার্টিগী ফিভমগী মতাংদা পার্টিনা ৱারেপ লৌজবসু পাম্মী।

## ‘কোভিদ-১৯গী ৩শুবা ৱেভ ওগষ্ট ফাওবগী মনুংদা লাকপা য়াই, য়াম্না শাথিবদি ওইরোই’

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা ওগষ্ট থা লোইবা ফাওবগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ লাকপা য়াই, তৌইগুম্বসুং শাথিবগী চাংদি অনীশুবা ৱেভতগী হন্থগনি হায়না ইন্দিয়ন কাওন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্চ (আই সী এম আর) গী এক্সপর্ট অমনা হায়রি।

আই সী এম আরগী ইপিদেমিওলোজি এন্দ ইনফেক্সন দিজিজেসকী মকোক ডা. সমিরান পান্দানা হায়খি, ষ্টেট খূদিংমক্না ষ্টেট লেভেল ইপিদেমিক য়েংশিনবা অমসুং অহানবা অমদি অনীশুবা ৱেভকা কেস নেমহনবা ঙম্বগী ফিভম লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। হৌজিক কোভিদকী অথিংবশিং ঙাক্তবা তারবদি ষ্টেটশিংনা অহুমশুবা ৱেভ অসিসু মায়োক্নবদা ৱানা থোকপা য়াই। মরম অদুনা অহুমশুবা ৱেভ লাকপা তারবদি মদু ওগষ্ট থা লোইরকপগুম্বদা থোকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং মসি শুংশোয় শোয়দনা থোক্কনি হায়বদি লৈতে। অদুবু ঐখোয়না মতম পূম্বদা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই হায়না পান্দানা মখা তাখি।

পান্দানা হৌজিকসু অনীশুবা ৱেভ লোইদ্রি হায়না ৱার্নিং তৌবগা লোয়ননা লাইওং উৎপা কেসশিংগী মশিংদা অকা-অকুম লৈরি হায়রি।

মহাক্না হায়, অহুমশুবা কোভিদ ৱেভ লাকপা মতমদা, মদু কয়াম কনগদগে হায়বসি মপূং ফানা খঙবা ঙমদ্রিবা ফেক্টর কয়াগা মরী লৈনৈ। পূং ২৪গী মনুংদা থেংনবা কোভিদ কেস মশিংদা অকা-অকুম লৈরিবসি পাঙথোক্লিবা টেষ্ট অমসুং রিপোর্টিং মেকানিজমগা মরী লৈনবা য়াই।

ষ্টেট অমদা কেস মশিং ৱাংলকপা অমসুং ষ্টেট খরদনা কেস হন্থরকপগী মতাংদা পান্দানা হায়খি, কোভিদ ইনফেক্সনগী মতাংদা হৌজিক লৈবাক অপূম্বগী ওইনা য়েংবা য়ারক্ত্রে। অদুনা ষ্টেটশিংনা মখোয়গী ওইবা দেটাদা য়েংজরগা মখোয় ইপিদেমিক অসিগী করম্বা তাঙ্কক্তা লৈবগে হায়বদু খঙনবা হোৎনগদবনি।

## কর্ণাটকাদা মেকেদাতু দাম শানবা পর্মিসন পীখিদে: সেন্টর

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
সেন্টরনা মেকেদাতুদা চেল্লিবা কবেরি তুরেলদা দাম অমা শানবা কর্ণাটকা গভর্ণমেন্টতা অয়াবা পীখিবা লৈতে হায়না য়ুনিয়ন জল শক্তি মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ শেখাৱতনা ইরাই নুমিত্তা টামিল নাদুগী ওল পার্টি দেলিগেসনদা থাজবা পীরক্লে হায়না ষ্টেট ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর এস দুরাইমুরুগননা ফোঙদোকখ্রে।

মেম্বর ১৩গী দেলিগেসন অমা লুচিংদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগা উনখিবা দুরাইমুরুগননা হায়খি, কবেরি তুরেলনা ফাওরিবা অতৈ ষ্টেটশিং- টামিল নাদু, কেরলা অমসুং পুদুচেরিগী অয়াবা লৌবা য়াওনা মথৌ তাবা কন্দিসন কয়া মাঙ-জৌননা থুংহনবা লৈতবনা কর্ণাটকানা মেকেদাতুদা দাম অমা শাবগী ৱাফম লৈতে হায়না সেখাৱতনা মখোয়দা থাজবা পীরকখি।

মরু ওইবা ৱাফম অমনা কর্ণাটকানা কবেরি ৱাটর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (সী দব্লিয়ু এম এ) দগী অয়াবসু লৌবা লৈতে হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা দেলিগেসন অদুদা ফোঙদোকখি। ফোনদা এ জে সীদা ৱা ঙাঙলদুনা দুরাইমুরুগননা হায়খি, কর্ণাটকানা মেকেদাতু দামগী দিটেল্ড প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমা শেম-শাবগী মতাংদা ঐখোয়দা লৈরিবা চিংনবশিং য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ঐখোয়না খঙহনখি। দামগা মরী লৈনবা ঐখোয়দা লৈরিবা মীৎয়েং খূদিংমক খঙহনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, কর্ণাটকানা দি পি আর অমা মথৌ তাবা কন্দিসনশিং থুংহন্দনা শেম-শাজখ্রে অমসুং অসিগুম্বা দি পি আর জল শক্তি মিনিষ্ট্রিনা খন্নরোই হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা দেলিগেসন অদুদা খঙহল্লকখি।

এদভর্টিজমেন্ট কয়া হাপ্লবা মতুংদসু মতিক চাবা প্রোফাইলশিং লাক্তবদগী সী দব্লিয়ু এম এগী অনৌবা চেয়রমেন হাপখিদবনি হায়নসু টামিল নাদুগী দেলিগেসন অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

চৈরকসিদা, টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনদুনা মেকেদাতুদা দাম অমা শাবা হায়বসি টামিল নাদুগী মীয়াম্না কন্না য়াদে হায়বসি খঙহল্লগনি। ষ্টেলিননা জুলাই ১৯দা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দগসু উনরগনি।

## ইন্দিয়ন কম্যুনিটি ঙাকপী শেনবীনবা সেন্টরদা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
হৌখিবা চয়োলদা হান্নগী প্রসিদেন্ট জেকোভ জুমা জেলদা থমখিবদগী ঈরাং কন্নখৎলক্লিবা সাওথ অফ্রিকাদা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা সেন্টরদা তকশিনখ্রে।

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করদা ইবা লেট্টর অমদা ষ্টেলিননা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিদা শোকহল্লিবা সাওথ অফ্রিকাদা হৌজিক থোক্লিবা রাইওটশিংগী মতাংদা পনখি অমসুং লৈবাক অদুদা লৈরিবা টামিল মচা কয়া লন-থুম য়াম্না মাঙলে হায়বসি খঙহনখি। ইন্দিয়ন কম্যুনিটিদা টেন্সন হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি হায়নসু ষ্টেলিননা লেট্টর অদুদা পনখি।

চীফ মিনিষ্টরনা জয়শঙ্করদা ৱাফম অসি দিপ্লোমেটিক মিন্সকী খূথাংদা সাওথ অফ্রিকান গভর্ণমেন্টতা খঙহন্দুনা অথুবা মতমদা মরা-তপ্পা অমসুং চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবগী ফিভম লাকহন্নবা অমসুং টামিল মচাশিং য়াওনা ইন্দিয়ন কম্যুনিটিগী পুন্সি অমসুং লন-থুমদা শোকহন্দনবগী থৌরাংশিং মতিক চানা লৌখৎনবা তকশিনবীনবসু হায়জখি।

## মহৈরোয়শিংগী সেসন ওক্টোবর ১দগী হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৭ (এজেন্সী):
য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসন (য়ু জি সী) গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা অহানবা চহীদা মিং চনগদৌরিবা মহৈরোয়শিংগী অনৌবা একাদেমিক সেসন ওক্টোবর ১দগী হৌরগনি।

য়ু জি সীগী সেক্রেটরি রজনিশ জেননা থোকপা গাইদলাইনশিং অদুগী মতুং ইন্না, ক্লাস টুয়েল্বকী বোর্দ রিজল্টশিং লাউথোক্লবা মতুংদা য়ুনিভর্সিটি অমসুং কোলেজশিংগী এদমিসন প্রোসেস হৌগনি। ক্লাস টুয়েল্বকী রিজল্টশিং লাউথোক্লবা মতুংখক্তদা ২০২১-২০২২গী অন্দরগ্রেজুএট কোর্সকী একাদেমিক সেসনদা মিং চনবগী প্রোসেস হৌবা য়াগনি হায়বসি অতৈ হায়র এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসনশিংদা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, ক্লাস টুয়েল্বকী রিজল্টশিং জুলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা লাউথোক্লগনি হায়না সী বি এস ঈনা লাউথোকখ্রবনি। ষ্টেটশিংগী বোর্দশিংনসু চাউরাক্লা মান্নবা মতমদা ক্লাস টুয়েল্বকী রিজল্টশিং লাউথোক্লবা য়াই। হৌজিক্কী একাদেমিক সেসনগী মিং চনবগী প্রোসেস সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনগদবনি।

## অৱাবা ফোঙদোকচবা



হৌখিবা তাং ১৩-০৭-২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা নুমীৎতা খুরাই কলা বিদ্যা ভবনগী মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বর ওইবিরম্বা শ্রী খাইদেম চাৱাল মীতৈনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ভবনগী মেম্বর পূম্নমক্না মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা মহাক্কী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা : **আর: কে: কিরন সিংহ**
সেক্রেটরি, খুরাই কলা বিদ্যা ভবন
# 9856138159

HL-P/6327/18

## /নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-B/7035/15/7-15/9 Contact No. 6009147645/8014023792

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST, PATSOI**

**Ref. Mutation Case No. 295/SDC/P/2021**

Ngangbam Kapil Singh S/o (L) Biren Singh and (L) Ngangbam (O) Subashini Devi of Sagolband Tera Amudon Leikai
- Petitioner

-Versus-

Late Mutum (N) Subashini Devi D/o (L) Kesho Singh of Tera Amudon Leirak
- O.P. Party

**NOTICE**

The 17th July, 2021

U/S 46(3) of MLR & LR Act, 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার মুতুম নিংঙোল সুবাসিনি দেবী পী: মৃ: কেশো সিংহ, সাং তেরা অমুদোন লৈকাইগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৮১-তাওবুংখোককী অনৌবা পাট্টা নং ৮১/৫০৭ দাগ নং ৭০১/৭৪০ অমসুং এরিয়ানা .৬২ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/6334/18

**E.K. HIGHER SECONDARY SCHOOL**
SANGAKPHAM, IMPHAL
**ADMISSION OPEN (2021 - 2022)**
**XI-SCIENCE & ARTS**
**ADMISSION FORM SUBMISSION TO :**
**SCHOOL OFFICE (OFFICE HOURS)**
**https://goschool.in/ek_online**
**FIRST COME FIRST SERVE**
**DETAILS CONTACT :- 8731086802, 9862810427**
HL-P/6332/18

**XTRA EDGE SCHOOL**
Ghari Awang Leikai, Imphal - 795140
**ONLINE REGISTRATION OPENS FOR CLASS XI (2021-22)**
Visit School Website : www.xtraedgeschool.in
Download Admission Bulletin and Read Instructions carefully before filling up the form
Mode of Selection : Online Entrance Exam Test
Last Date of Form Submission : 23-07-2021, before 12:00 noon
EDUCATION IN UNDERSTANDING
HL-P/6329/18,20,22

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 62,00,000+7,761 | 59,70,000+13,452 | 1,27,000+167 |
| Kerala | 31,30,000+13,750 | 29,90,000+10,697 | 15,155+130 |
| Karnataka | 28,80,000+1,806 | 28,10,000+2,748 | 36,079+42 |
| Tamil Nadu | 25,30,000+2,312 | 24,70,000+2,986 | 33,652+46 |
| Andhra Pradesh | 19,30,000+2,345 | 19,00,000+3,001 | 13,097+16 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+86 | 16,80,000+140 | 22,711+6 |
| West Bengal | 15,20,000+882 | 14,90,000+1,025 | 17,980+10 |
| Delhi | 14,40,000+66 | 14,10,000+79 | 25,023+1 |
| Chhattisgarh | 9,99,000+312 | 9,82,000+358 | 13,492+3 |
| Rajasthan | 9,53,000+35 | 9,44,000+54 | 8,947 |
| Odisha | 9,50,000+2,070 | 9,26,000+2,317 | 4,925+64 |
| Gujarat | 8,24,000+39 | 8,14,000+70 | 10,074 |
| Madhya Pradesh | 7,92,000+15 | 7,81,000+33 | 10,510 |
| Haryana | 7,69,000+46 | 7,59,000+40 | 9,586+8 |
| Bihar | 7,24,000+90 | 7,13,000+104 | 9,626+1 |
| Telangana | 6,35,000+715 | 6,22,000+784 | 3,751+4 |
| Punjab | 5,98,000+103 | 5,81,000+194 | 16,215+3 |
| Assam | 5,44,000+1,782 | 5,20,000+2,656 | 4,961+24 |
| Jharkhand | 3,47,000+55 | 3,41,000+51 | 5,120 |
| Uttarakhand | 3,41,000+39 | 3,33,000+32 | 7,355+1 |
| Himachal Pradesh | 2,04,000+126 | 2,00,000+138 | 3,504+2 |
| Goa | 1,69,000+120 | 1,65,000+236 | 3,106+4 |
| Puducherry | 1,20,000+104 | 1,16,000+161 | 1,775+2 |
| **Manipur** | **82,688+1,128** | **72,305+643** | **1,350+10** |
| Tripura | 73,290+430 | 67,928+473 | 723+1 |
| Chandigarh | 61,862+6 | 60,995+15 | 809 |
| Meghalaya | 56,493+441 | 51,396+264 | 931+5 |
| Arunachal Pradesh | 42,089+443 | 37,628+356 | 199+2 |
| Mizoram | 26,690+483 | 20,829+351 | 120+3 |
| Nagaland | 26,476+95 | 24,875+60 | 519+3 |
| Sikkim | 23,080+151 | 20,441+152 | 319+1 |
| Ladakh | 20,240+6 | 19,929+9 | 206 |
| Lakshadweep | 10,053+10 | 9,925+20 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,505+4 | 7,360+1 | 129 |